১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# মুভানলাইনা এ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা, নাকোনা জি এস সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মুভানলাইনা এ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা অদুগা নাকোনা জি এস সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা মুভানলাই অমসুং এ এফ সী লম্বা তৌনখি। মদুদা মুভানলাইগী টিমনা বোল হেন্না পায়দুনা মাংজিল থানা শান্নরকপা ঙমখি। হেক হৌবগা একাউন্ট হাংনবগীদমক টেক্লিক কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চত্থরকখি। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা মুভানলাইগী সোংপু সিংসিত জর্সি নম্বর ২৩না একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। মিনট খরা লৈরগা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় লনঙৌসেম জর্সি নম্বর ২৮না টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মখা তানা মুভানলাইগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় গিনমিনথাং জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিল্লগা মখোয়না এ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা অহানবা হাফ মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা এ এফ সীগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা এটেক চত্থরকখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা এ এফ সীগী সুরজ জর্সি নম্বর ২৩না টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা অদুদা এ এফ সীগী মায়কৈদগী ৯০শুবা মিনটতা ফয়াজুদ্দিন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমা চনখ্রবসু মেচকী মতম লোইখিবনা মুভানলাইনা এ এস সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নাকো অমসুং জি এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা জি এস সীগী থাংখোজেন জর্সি নম্বর ১১না একাউন্ট হাংবা ঙমখি। নাকোগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা এস বসন্তা জর্সি নম্বর ১২না ইক্বেলাইজর চন্দুনা ১-১দা লৈনখি।

মখা তানা নাকোগী এটেক অমদা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা বসন্তা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা মখোয়না জি এস সীবু ২-১দা মাংজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ অসিদা নাকোগী মায়কৈদগী এস কুলারসন জর্সি নম্বর ১১না শান্নবগী ৭০ অমসুং ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা জি এস সীগী কে বেনর্জিৎনা ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু নাকোনা ৪-২দা জি এস সীবু মায়থীবা পীখি।



| 13th MANIPUR STATE LEAGUE 2019-20 FIXTURE (Pt. II) | | | |
|---|---|---|---|
| Date | Time | M No. | Teams |
| 19-02-2020 | 11:45 a.m. | 22 | UKB Vs KLASA |
| | 02:0 p.m. | 23 | NEROCA FC Vs YUFC |
| 20-02-2020 | 11:45 a.m. | 24 | AIM Vs YPHU |
| | 02:00 p.m. | 25 | SSU Vs SU |
| 21-02-2020 | 02:00 p.m. | 26 | AFC Vs NISA |
| 22-02-2020 | 11:45 a.m. | 27 | GSC Vs MUVANLAI |
| | 02:00 p.m. | 28 | NEROCA FC Vs DMRAO |
| 23-02-2020 | 11:45 a.m. | 29 | AIM Vs KLASA |
| | 02:00 p.m. | 11 | SSU Vs YUFC |

৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# এল সী সী সী লিলোং চজিংনা চেম্প খাগেমপলিবু, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা '৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা চেম্প খাগেম্পলিবু অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা চেম্প খাগেম্পলি অমসুং এল সী সী সী লিলোং চজিং লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস চেম্পনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। মদুদা মখোয়না ওভর ২০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৭ লৌবা ঙমখি। চেম্পকী স্কোরশিং অদু বাল্লুনা রন ৪৬, জোদিবানা রন ৩৪, সঞ্জয়না রন ২৭ লৌখিবা শীংথাবা য়াই।

ইন্নিংস অসিদা এল সী সী সীনা বোল্লিং তৌখিবদা জিতেন অমসুং জিলানা ৱিকেট ২/২ লৌখি। অদুগা সঞ্জিৎনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

চেম্পনা অহানবা ইন্নিংসতা থমখিবা ১৩৮গী টার্গেটতা এল সী সী সীনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১৮গা বোল ৫দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩৯ লৌখিবদগী মখোয়না চেম্পপু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

এল সী সী সীগী স্কোরশিং অদু কৃষ্ণনা রন ৫৫, নন্দকুমারনা রন ৩৬, সঞ্জিৎনা রন ১৩ লৌদুনা টিম অদুগী স্কোরদা চাওনা মতেং পাঙখি। চেম্পনা ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবদা বল্লু, বিপজেন, বুল্লু অমদি জোদিবানা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা এল সী সী সী লিলোং চজিংগী কৃষ্ণনা রন ৫৫ লৌদুনা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস সাইক্লোননা ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৪৮ লৌবা ঙমখি। মখোয়গী রনশিং অদু সসিকুমারনা রন ৫২, শ্যামসুন্দরনা রন ২০, রোবিন্দ্রোনা রন ২০ অমদি অরুননা রন ১৮ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসকী দি এস য়ুনা বোল্লিং তৌবদা সমান্দা অমদি মনিকুমারনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। গ্যানেশ্বর অমদি সোমোরজিৎনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা দি এস য়ুনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৯.২দা টিম অদুগী বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১২২ খক লৌখিবদগী সাইক্লোননা রন ২৬তা মায়থীবা পীবা ঙমখি। দি এস য়ুগী স্কোরশিং অদু তোম্বনা রন ৪৩, গ্যানেশ্বরনা রন ২৮, ব্রোজেন্দ্রোনা রন ১১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী সাইক্লোননা বোল্লিং তৌবদা সুধিরনা ৱিকেট ৫, দল্লীয়ু সুর্জিৎ, সুরজ, কিরননা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচতা সাইক্লোনগী সুধিরনা ৱিকেট ৫ লৌদুনা ফংখি।





১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# অমোফানা চিরু এস সীবু পাঞ্জল ৩-১ থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অমোফা মোইরাংনা চিরু এস সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা অমোফা মোইরাং অমসুং চিরু এস সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ শান্নবগী হৌরকপা ৭শুবা মিনটতা অমোফাগী সোনি সিংহ জর্সি নম্বর ১২না ঙন্না একাউন্ট হাংবা ঙমখি। চিরুগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা মখোয়বু অমোফানা ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপগী তরেৎশুবা মিনটতা অমোফাগী জেতলি জর্সি নম্বর ১৪না পাঞ্জল অমা চনখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা অমোফাগী জোনি জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমা অমুক হাপচিন্দুনা ৩-০দা চিরুবু মাংজিল থাখি। জোনিগী পাঞ্জল মতুং মিনট খরা লৈরগা শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা চিরু এস সীগী মায়কৈদগী চোংনৈখুম জর্সি ন্বর ৬৭না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু শান্নবগী লেমহৌবা মিনটতা টিম অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙমদনা অমোফা মোইরাংনা চিরু এস সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

হয়েং লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা দল্লীয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমসুং য়ু বি এফ সী লম্বা তৌনরগনি।



# থাঙ-তাগী য়ুনিফোর্ম অমা লোঞ্চ তৌখিবা অদু চৎনবা য়ারোই : টি ঐচ সুরজ





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): হান্না শীজিন্নদুনা লৈরিবা চপ মান্নবা দ্রেস দিজাইন অমা ঙরাং য়েনিং দ্রেস এন্দ দিজাইন অমদি লুপ অমগা প্রেস ক্লবতা লোঞ্চ তৌরে হায়বা অসি য়ানিংদে লোয়ননা চৎনবা য়ারোই হায়না কংলৈপাক ইন্দিজিনস মার্সল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কে আই এম এ সী এস)গী পব্লিসিটি থাংজম সুরজনা ফোঙদোরক্লি।

কে আই এম এ সী এসনা শীন্দুনা কোনুং মমাঙদা লৈবা সোসাইটি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা সুরজনা মখা তানা হায়খি, চহী কয়াদগী মহৈরোইশিংদা ফংহন্দুনা লাকখ্রবা দ্রেস অসিগা চপ মান্নবা অমা ঙরাং লোঞ্চ তৌই তাবদা অঙকপা পোকই। হৌজিক চৎনরিবা দ্রেস অসি কে আই এম এ সী এসনা ইনিংথৌ অমদি থাঙ-তা লোইশঙগা তান্নরবা মতুংদা পুথোকপখিবা দ্রেসনি। চপ মান্নবা দ্রেস অমা কনা অমত্তা তান্নরমদনা লোঞ্চ তৌরে হায়রিবা অসি মতুংদা তৌবিগনু হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ঙরাং লোঞ্চ তৌখিবা দ্রেস অদু স্কুলশিংদা শীজিন্নবা য়ারোই। মসিনা স্কুলশিং, মহৈরোয়শিংদা চম্মন্নবা অমা পোকহল্লগনি। লোয়ননা য়েনিং দ্রেস এন্দ দিজাইননা স্কুলশিংদা ফঙহনগনি তৌরিবা অদু তৌবিগনু। দ্রেস অসি ফংহনগনি হায়রিবা মফম অনীসু থন্বীদনবসু ফোঙদোরক্লি।

# এস থন্বাল শর্ম্মা ওকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৯দগী ১৪ ফাওবা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৪১শুবা মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা ২০২০দা জানিকি বারবেল জিমগী পেট্রোন ইন চীফ এস থন্বাল শর্ম্মনা চহী ৬০ মথক্কী কেটগরিগী মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১২.৭দা নেসনল রেকোর্দ থল্লগা গোল্ড লৌবা ঙমখি। মখা তানা মিটর ২০০, হায় জম্প, মিটর ৪x১০০ রিলে অমদি মিটর ৪x৪০০ রিলেদা মকোক ওইদুনা পুন্না গোল্ড ৫ লৌরকখিববু টি গোকুলচন্দনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

# ২শুবা ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): এন ৱাই ভি এ নাওরেমগী লমজিং মখাদা টিম ৯না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌদুনা ৱাংঙু লাইফম হৈনৌয়াম শান্নবুঙদা চথরিবা ২শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা টি আর ৱাই ভি সীনা য়ু এস দি সীবু সেট ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এনা এস দি সীবু সেট ৩-০দা, অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম দি ওনা কে এল এল কেনা থোইখি। মরিশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই য়ু সীনা কে ৱাই এল এস সীবু সেট ৩-০দা অদুগা টি আর ৱাই ভি সীনা টি ৱাই দল্লীয়ু সীবু সেট ৩-০দা থোইখি।

# ৬শুবা ধনবির ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চত্থরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা তেন্থা এফ সী অমসুং পি ৱাই সী ফৌদেল ২-২দা দ্রো, জেক এফ সী অংথা অমসুং সঞ্জেনবম এফ সী ০-০দা দ্রো চৎখি। এন ই এস য়ু এফ সীনা টোপ এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা ধনরিব এফ সীনা নোঙব্রাং এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা ধনবির এফ সীনা নোংব্রাং এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদনা তেন্থা এফ সী অমসুং পি ৱাই সী ফৌদেল পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এন ই এস য়ু এফ সী না টোপ এফ সীবু ২-০দা থোইখি। অদুগা মরিশুবা গ্রাউন্দদনা জেক এফ সী অমসুং সঞ্জেনবম এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স লৌবিরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): হৌখিবা চহীশিং, কুমজা ২০১৮গী জুন ৪দগী ১০ ফাওবা চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা ইন্টর ষ্টেট চেলেঞ্জর্স স্প্রিন্ট নেসনল রোৱিং চেম্পিয়নশিপ, চহী অদুগী ওক্টোবর ২দগী ৭ ফাওবা ভোপালদা পাঙথোকখিবা ৩৯শুবা জুনিয়র নেসনল রোৱিং চেম্পিয়নশিপ অমসুং চহী অদুমক্কী দিসেম্বর ১৭তগী ২৩ফাওবা পুনেদা পাঙথোকখিবা ৩৭শুবা সিনিয়র নেসনল রোৱিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিংনা থা অসিগী ২০দা মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী ট্রেজরর নত্রগা এসোসিয়েট জোইন্ট ট্রেজররগী য়ুমদগী গভর্ণমেন্টনা পীরকপা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স লৌবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।





HL-B/6002/15/2-18/4





Now Showing - Friends Talkies (Time : 11.00 a.m., 02:00 p.m. & 05:00 p.m.)
Now Showing - Shangeet Natak, Nambol (Time - 07 :00 p.m.)
Now Showing - Yairipok Hall (Time - 11:00 a.m, 02:00 p.m. & 06:00 p.m.)

HL-P/6152/8-22feb





HL-B/6019/4 feb-5march

/EMPLOYMENT NEWS

- মশাগী চহি ২৫ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা MBA/Post Graduate + 3 yrs exp. লৈরবা মীওই ২ (অনি) Dy. Manager ওইনা পামজৈ।
- মশাগী চহি ২২ দগী ২৮ ফাওবদা লৈবা Graduate Passed তৌরবা অমসুং Unmarried ওইবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Thoubal, Moirang, Sekmai, Nambol, Samurou অমসুং Imphal Branch Keishamthong গা খ্বায়দগী নক্লনা লৈবা Office Assistant ওইনিংবা মীওই অনি-অনি পামজৈ।
- 2 Wheeler Mechanic + 5 yrs exp. লৈরবা মীওই ১ (অমা) অমসুং Mechanic কী Helper ২ (অনি) পামজৈ।
- মশাগী চহি ১৮ দগী ২২ ফাওবদা লৈবা Car Wash Centre অমসুং Tyre Workshop কি Helper অনি-অনি পামজৈ।
- Car Driver ২ (অনি), Iron Welding Mistry ২ (অনি), Grade-IV ২ (অনি), Brick Mistry অমসুং Brick Jugali অনি-অনি পামজৈ।

*Please Contact:-* **L.G. Motors**
Khagemppali Huidrom Leikai, Imphal West
# 8731978490 / 9774495994

HL/B/5934/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com